ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HL
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

অকাম্পাৎতা লৈবা নৈলিটকী কমপ্লেক্সতা মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্টনা খূৎশম্নদুনা শীনবা জোব ফ্যের হৌদোকপা থৌরমগী শক্তম

"ONE DAY JOB FAIR"
Organised
Imphal in collaboration with Ministry Employment, Govt. of India
লামায় ১

মোলফৈ তম্পাক ভিলেজদা আই সী দি এস প্রোজেক্ট হেংলেপনা শীন্দুনা পাঙথোকপা মিজলস এন্দ রুবেলা ভেক্সিনেসন কেম্পেন হৌদোকপগী থৌরম

কংলাগী চাউখৎ থৌরাংগী মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়না ইন্টরনেসনল মণিপুরী মাদর এসোসিএসননা ফোঙদোকপা থৌরমগী শক্তম

লামায় ৩

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্তকী মোলনোই এরিয়াদা মিজলস এন্দ রুবেলা ভেক্সিন কাপথোকহৌনবগী পাউজেল পীবা খোঙচৎ অমা চৎপগী শক্তম

লামায় ৩

Vol. 42, Issue No.002 | থাংজ, শজিবু ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, March 24, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

নিংথৌকাবা ফাওবদা ইমপ্লোয়ীশিং মথৌ তৌদ্রবদি মী নেক্লগা ফাইল শূহল্লগনি : সী এম

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংনা হৌজিক সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চত্থদুনা লৈরিবা অসি নিংথৌকাবা ফাওবদা থবক্তা হঞ্জিনবীয়ু, থবক তৌদ্রবদি মী নেক্লগা ফাইল শূহল্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিয়েটনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, ফাইনান্সিএল য়ারগী চিরবা তানফম অসিদা ইমপ্লোয়ীশিংনা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক তৌদুনা লৈবদগী ফাইল চৎথোক-চৎশিনদা অপনবা পীরে। তঙাইফদনা ফাইনান্সিএল য়ারগী ফাইল শূগদবা কয়া লৈবনা ইমপ্লোয়ীশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী মথৌদা হঞ্জিনবীয়ু। হায়রিবা নুমিৎ অসি ফাওবদা ইমপ্লোয়ীশিংনা থবক শূদ্রবদি প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিশিং, দি সীশিংদা শীন্নরগা মী নেকহল্লগা ফাইলশিং শূহল্লগনি।

মহাক্না হায়খি, ফাইল শূবা হৈবা মীওই নেক্লগা তঙাইফদবা ফাইল প্রোসেসশিং তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি। লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিং পেরলাইস ওইবা য়ারোই। ফাইল প্রোসেস লেপ্পা য়াদে। মসিদা থোরকপশিং চপ চানা অদুমক থেংনগনি।

মণিপুর লৈঙাক্কা ইমপ্লোয়ীশিংদা তরেৎশুবা পে পীনবগী মতাং অসি য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাক্লিবনি। জে এ সীগী মীহুৎশিংগা চীফ সেক্রেটরিগী লেবেলদা অহুল্লক ৱারী শানখ্রে। চীফ মিনিষ্টরগসু অহুম মরিরক ৱারী শানদুনা হীরম অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা লৈখ্রবনি। কুমজা ২০১৭ কী মে ১৫ ফাওবদা লৈবা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংগী রিগুলর পোষ্ট মশীং অসি ৯৮,৮৪৫ নি। পেন্সনর অমদি ফেমিলি পেন্সনর মশীংনা ৪৫,৫২৩ নি। তরেৎশুবা পে কম্মিসনগী পে অমদি পেন্সন পীরকপা মতমদা ষ্টেট অসিনা চহী ১দা অহেনবা এক্সপেন্দিচর চৎকদৌরিবা অসি চহী ১ দা লুপা ক্রোর ১৪০০ রোমনি। ষ্টেট অসিগী শেল-থুমগী ফীভম অসিদা হায়রিবা য়াম্লবা শেনফম অসি পীনবা হোৎনবা হায়বসি অরাইবা অমদি নত্তে। অদুমকপু ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী রিছোর্স মোবিলাইজেসননচিংবা হেনগৎহন্দুনা করি তৌবা য়াগদগে হায়বদু য়াম্না কুপ্না খন্নরিবনি। তরেৎশুবা পে পীনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু চপ চাবা ফিরেপ লৈ।

ইমপ্লোয়ীশিংনা ষ্টেট অসিগী হৌজিক ওইরিবা শেল-থুমগী ফীভম খঙবীরগা অমদি ফাইনান্সিএল য়ারগী চিরবা তানফম অসি য়েংলগা মথৌদা হঞ্জিনবীয়ু। ফাইনান্সিএল য়ারদা ফাইল প্রোসেস চৎকদবা ময়াম অমা লৈরিবনি। ষ্টেট অসিদা তরেৎশুবা পে চৎনহন্নবগী মতাংদা লৈঙাক্লসু য়াম্না কন্না খন্ন-নৈনদুনা অমদি প্রোসেস কয়া পায়খৎতুনা লাক্লিবনি। কুমজা ২০১৬কী নবেম্বর ২৬ তা ষ্টেট কেবিনেটনা ফিটমেন্ট কম্মিটি অমা শেম্নবা ৱারেপ লৌরম্মী। দিসেম্বর থাদা ফিটমেন্ট কম্মিটি অসিগী ওর্দর থোক্তুনা থৌ পুগদবশিংসু খনখি। থৌ পুগদবশিংগী মনুংদা চ্যেরমেনদা চীফ সেক্রেটরি, মেম্বরশিংদা মথংশিংনা এদমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরি ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

সী এমগী মচঙ ওইবা ৱা

- লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংগুম্না তরেৎশুবা পে পীনবা চপ চাবা ফিরেপ লৈ।
- ষ্টেট অসিগী শেল-থুমগী ফীভম অসিদা হায়রিবা য়াম্লবা শেনফম অসি পীনবা হোৎনবা হায়বসি অরাইবা অমদি নত্তে।
- কুমজা ২০১৭ কী মে ১৫ ফাওবদা লৈবা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংগী রিগুলর পোষ্ট মশীং অসি ৯৮,৮৪৫ নি। পেন্সনর অমদি ফেমিলি পেন্সনর মশীংনা ৪৫,৫২৩ নি।
- তরেৎশুবা পে কম্মিসনগী পে অমদি পেন্সন পীরকপা মতমদা ষ্টেট অসিনা চহী ১দা অহেনবা এক্সপেন্দিচর চৎকদৌরিবা অসি চহী ১ দা লুপা ক্রোর ১৪০০ রোমনি।
- ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী রিছোর্স মোবিলাইজেসননচিংবা হেনগৎহন্দুনা করি তৌবা য়াগদগে হায়বদু য়াম্না কুপ্না খন্নরিবনি।

এ এ পিগী এম এল এ ২০ দিসক্বালিফাই তৌনবা ঈ সীগী রেকমেন্দেসন চৎনহনখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ (এজেন্সী) : ওফিস ওফ প্রোফিটকী কেসকা মরী লৈননা আম আদমি পার্টি (এ এ পি) গী এম এল এ ২০ দিসক্বালিফাই তৌনবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই)না পীখিবা রেকমেন্দেসন অদু ঙসি তাখিবা দিল্লি হায় কোর্টকী রুলিং অমনা চৎনহন্দনা থমখ্রে।

জষ্টিসশিং সঞ্জীব খান্না অমসুং চন্দর শেখরগী বেঞ্চ অমনা লোমেকরশিংদু দিসক্বালিফাই তৌননবা রেকমেন্দ তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা চেন্নরিবা এম এল এশিং অদুগী ৱাকৎশিং অমফাওবা তাখিদে। মখোয়না হায়নিংলিবদু করিনো হায়বা তাননবগীদমক মখা তানা অমুক হিয়ারিং চথননবা ঈ সী আইদা পাউতাক পীখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

কোর্টনা হায়খি মদুদি, এম এল এশিংদা চিলহায় ওইনা হিয়ারিং চত্থবগী নত্রগা মখোয়গী অর্গুমেন্ট য়েংশিন্নবগী খুদোংচাবা ফংহনখিদবনা পোল পেনেলনা জন্যুৱারি ১৯ দা পীখিবা রেকমেন্দেসন অদু অরেম্বনি। মদু নেচরেল জষ্টিস খোঙ্গাওনবগী মপুং ফারবা থৌদৌনি।

এম এল এশিংনা কোর্টতা ৱাকৎপদা ঈ সি আইনা প্রসিদেন্টদা পীরিবা রেকমেন্দেসন অদু পোল পেনেল অদুদা মখোয়গী ৱাফম শন্দোক্না খঙহন্নবগী তাঞ্জা অমা মখোয়দা পীখিদবনা নেচরেল জষ্টিস মপুং ফানা খোঙ্গাওনবগী থৌওংনি হায়খি।

রেকমেন্দেসন অদু শৌগৎলদুনা ঈ সি আইনা মখোয়গী সবমিসনদা লেজিসলেটরশিংদুনা মখোয় শেলগী কান্নবা লৌবা য়াবা ওফিস পায়দে হায়না ক্লেম তৌবা ঙল্লোই পনখি।

কোর্টকী ওর্দর অদুদা হরাওরবা আম আদমি পার্টিগী লুচিংবসু ওইরিবা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্ভিন্দ কেজ্রিৱালনা ত্বীটরদা 'অচুম্বনা মায় পাক্লে' হায়না ইরকখি। মহাক্না মখা তানা "দিল্লিগী মীয়াম্না খনবা মীহুৎশিংবু অরানবা মওংদা রিজেক্ট তৌখি। দিল্লি হায় কোর্টনা মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লে। দিল্লিগী মীয়ামগী অচৌবা মায় পাকপনি" হায়নসু ত্বীটরদা থাগৎলকখি।

চৈরকসিদা, কোংগ্রেসগী লুচিংবা অজয় মাকেননা হায়খ্রে মদুদি, এ এ পিগী এম এল এশিংনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লিবদু মতম চাদ্রি। কোর্টকী ওর্দর অদু অতেনবা মতমগী রিলিফনি। এ এ পিগী এম এল এশিং হৌজিকসু হরাওবা ফোঙদোক্লীংঙাই ওইদ্রি। মখোয় হৌজিকসু কান্নবা লৌবা য়াবা ফম পায়রি। দিল্লিগী অর্ভিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং হাপখিবা এম এল এশিং দিসক্বালিফাই তৌনবা ইলেক্সন কম্মিসননা হৌখিবা জানুৱারি ১৯ দা পীখিবা রেকমেন্দেসন প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দনা হৌখিবা জন্যুৱারী ২১ দা অয়াবা পীখি। ঈ সী আইগী রেকমেন্দেসন অদুগী মতুংদা এম এল এশিংদুনা জানুৱারি ১৯ দা হায় কোর্টতা ফাইল তৌখিবা ৱাকৎ মখোয়না জন্যুৱারী ২২ দা ৱিথদ্রো তৌখি। নুমিৎতুদা দিল্লি হায় কোর্টনা এম এল এশিংদুদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭০.৫৩
দীজল : লিটরদা লুপা ৬১.৩৫

নুংঙাইতবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ : হয়েল (উচিৱা) দগী থোঙাম চীঙ্খৈনা মীয়ামদা য়েন্থোক্লনবা পাউচে লৌননব ময়ূমদগী লাকপদা লংথবাল ফুরা মখোঙদা টাটা গাড়ী অমনা মহাক্কী ওটো রিক্সোদা থেংজিল্লকপদগী এক্সিদেন্ট থোকপনা মরম ওইরদুনা মার্চ ২২ অমসুং ২৩ দা মীয়ামদা পাউচেশিং য়েন্থোকপা ঙমখিদ্রে। ময়াই লম্বীদা লৈবা সবস্ক্রাইবরশিংদা পাউচে পাবা ফংহনখিদবা অদুগীদমক মহাক অমসুং ওল মণিপুর ন্যুজপেপর সেলস এন্দ দিষ্ট্রিব্যুটরস এসোসিএসননা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

ট্রান্সফর তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ : মণিপুর পুলিসকী দিরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) না থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না পুলিস ইন্সপেক্তর খরগী ফম ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	৩০.৬৪ °c	১৪.১২ °c
চান্দেল	৩৫.১৭ °c	১৫.৭২ °c
সীসীপুর	৩১.১১ °c	১৩.১৭ °c
ইম্ফাল	৩০.৪০ °c	১২.৪০ °c
সেনাপতি	২৯.১৪ °c	১০.৭২ °c
তমেংলোং	৩১.২৬ °c	১৪.১৬ °c
থৌবাল	এন এ °c	এন এ °c
উখ্রুল	২৩.২৫ °c	১৩.৩৪ °c
মণিপুর	৩৫.১৭ °c	১০.৭২ °c

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৭ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৭
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	80.174335
US Dollar	64.953185
British Pound	91.836600
Australian Dollar	50.178163
Chinese Yuan Renminbi	10.278323
Japanese Yen	0.617888
Malaysian Ringgit	16.590530
Norwegian Krone	8.378370
Singapore Dollar	49.435325
South Korean Won	0.060281
Swedish Krona	7.866903
Turkish Lira	16.396608
Myanmar Kyat	0.04854
Bangladesh Taka	0.78247

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 31433.16
Mumbai	–	Rs 32064.17
Delhi	–	Rs 32032.09
Kolkata	–	Rs 32470.59

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইখিবা এম এল এ ১২ রিজাইন তৌনবা কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা দিমান্দ তৌখ্রে

भारतीय राष्ट्रीय कांग्रेस
INDIAN NATIONAL CONGRESS

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):

ওফিস ওফ প্রোফিট পায়খিবা মণিপুরগী এম এল এ ১২ মশানা খঙনা রিজাইন তৌননবা কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা দিমান্দ তৌখ্রে।

এ আই সি সিগী স্পোক্সপার্সন সুশমিতা দেভ, মণিপুরগী হান্নগী দিপ্যুটি সি এম গাইখাঙম, গোৱাগী এম এল এ রেজিনালদো লৌৰেনকো এম এল ও অলেক্সো রেজিনালদো লৌৰেনকো অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী এম পি তাকম সঞ্জোয়না পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, বি জে পি অমসুং এ এ পি হৌজিক্তি চপ মান্নবা খুদোংথীবা ফিভমদা লৈরে। কোর্টনা নেচরেল জষ্টিস উৎখ্রে হায়বসিদা চীংননিংঙাই লৈত্রে, তোইগুম্বসুং এ এ পিনা লৈবাক্কী লোশিংবু ফাগী তাহনবগুম্না ভার্টিয়া জনাটা পার্টিনসু ফোঙনা মণিপুরদা রুল খুদিংমক খোঙ্গাওনরি। বি জে পিসু মণিপুরদা মান্নবা মওংদা লো খোঙ্গাওনবগী মরাল লৈরে।

মণিপুরদা বি জে পি গভর্ণমেন্টনা দিল্লিগী এ এ পিগা মান্ননা লোনা য়াদবা থৌওং চথবগী মরাল লৈবনা বি জে পিনা মমায় অনী লোঙবা পোলিটিক্স তৌই হায়বা ময়েক শেংলে। হৌখিবা এসেম্বলি মীখল মতুংদা বি জে পিগী এম এল এ ৮, এন পি এফকী ৩, ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ১ পুন্না এম এল এ ১২ পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী ফমশিং হাপখি। বিমোলাংসু রোই ভর্সস ষ্টেট ওফ অসামগী কেসতা হৌখিবা কুমজা ২০১৭ কী জুলাই ২৬ তা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ওর্দরগী মতুং ইন্না পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং হাপ্পা য়াহল্লিবা অসিগুম্বা লোশিং লেজিসলেটিব ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ইন্দষ্ট্রি য়াওদনা চাউখৎপা পুরকপা য়ারোই, পোখোকশিং পুথোক্লবা হোৎনসি : বিস্বজিৎ

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):

ইন্দষ্ট্রি য়াওদনা চাউখৎপা পুরকপা য়ারোই। লমদমসিগী পোখোকশিং চাং য়াম্না পুথোক্লবা হোৎনসি হায়না কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎনা ঙসি জোব ফ্যের হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (এন আই ঈ এল আই টি) না মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্টনা খূৎশম্নুনা শীন্দুনা ঙসি অকাম্পাৎতা লৈবা নৈলিটকী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা জোব ফ্যের হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎনা হায়খি, স্কিল দিভলপমেন্ট হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। থবক ফংদবগী চাং হন্থহন্নবগীদমক স্কিল লেবর মশীং হেনগৎহনবা তাই। মশানা মশাবু তোঙান-তোঙানবা শিনফমদা থবক তৌরবদি থবক ফংদবগী চাং অসি য়াম্না হন্থরক্কনি। লৈঙাক্কী থবক খক্তনা থবক ওইনা খনবগী মওং অসি তোল্লুসি। চাউখৎলবা লৈবাক কয়াদা থবক য়াম্না তৌনরিবসি প্রাইভেট সেক্টরশিংদসুনি। হ্বাইট কোলর জোব খক্তনা থবক নত্তে। খূৎ-শা হৈবগী তোঙান-তোঙানবা শিনফম কয়াদা থবক শূদুনা পোখোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনবা চঙই। ইন্দষ্ট্রি য়াওদনা চাউখৎপা পুরকপা য়ারোই।

মণিপুরদা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরাং কয়া লৈ। ষ্টেট অসিদা থাবা য়াবা শেন্দোং লৈবা পাম্বী মখল কয়া লৈ। ষ্টেট অসিদা চানরিবা ঙাগী পোখোক অসি শীজিন্নবা কোন্নবা চাং য়ৌনা পুথোকপা ঙমদবনা মপান ষ্টেটতগী পুশিল্লক্লিবনি। অন্ধ্র প্রদেশতগী নুমিৎ কয়ানি চঙনা ঙাশিং অসি মণিপুর তম্না পুরক্লিবনি। ঙাশিং অসি পথ্ৰ-পুমথদনবা করি-করি থবক পায়খৎপগে হায়বসিসু খন্ননিংঙাই ওইবা অমনি। মপান্দগী ঙা পুশিল্লক্লিবা অসি ষ্টেটসিদা পুথোকপগী চাং নেম্বননি। মখা লামায় ৩ কলম ৪

অস! লোইরেহে!

সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চত্থবসিবু খরা ৱাই শংব্রা...?

ꯁꯤꯖ ꯋꯥꯔꯛ ꯁ꯭ꯠꯔꯥꯏꯛ ꯆꯠꯊꯕꯁꯤꯕꯨ ꯈꯔꯥ ꯋꯥꯏ ꯁꯪꯕ꯭ꯔꯥ...?



অম্হানিদা, হান্নসু অদুম শূদেদা...!

ꯑꯝꯍꯥꯅꯤꯗꯥ, ꯍꯥꯟꯅꯁꯨ ꯑꯗꯨꯝ ꯁꯨꯗꯦꯗꯥ...!

HL POLL

Q : HIV ga sagonnaduna hingliba meegi mashing Manipur na khwaidagi wanglibasi leingakki ashoibanara?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Post ta tharakpa parcel da chethi-chegum yaorambada chennabasing cheirak pifam thok-e khanbra?

Yes 95% No 05%

সুপ্রিম কোর্টনা মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ১২ দা লোক আয়ুক্তা থমদবগী মরম হংখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৩ (এজেন্সী) :

মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ১২ দা লোক আয়ুক্তা থমদবগী মরম পীখৎলক্লনবা ষ্টেটশিং অসিগী চীফ সেক্রেটরি (সী এস)শিংদা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে।

লৈবাক অসিগী ৱায়েলশঙগী মকোক ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিসশিং রঞ্জন গোগোই অমসুং আর বানুমাতিগী বেঞ্চ অমনা ওরিষাগী চীফ মিনিষ্টরদা ষ্টেট অসিগী লোক অয়ুক্তগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম কোর্ট অসিদা খঙহন্নবসু হায়খি। ষ্টেট অসিগী এন্টি করপসন ওমবুদসমেন অমা লৈরে নত্রগা লৈতে হায়বগী পাউসু কোর্টনা ফংদে হায়না এপেক্স কোর্ট অসিনা মখা তানা হায়খি।

লোক আয়ুক্তা হাপতবগী মরম পীরক্লবা খঙহনখ্রবা ষ্টেট ১২ অদুদি মণিপুর, মেঘলায়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ পুদুচেরি, টামিল নাড়ু, টেলঙ্গনা, ট্রিপুরা, অরুনাচল প্রদেশ, দিল্লি, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীরনি। এপেক্স কোর্ট অসিনা ষ্টেট ১২ অসিদা করন্বা মতমদা মখোয়গী লোক অয়ুক্তশিং হাপকদগে হায়বদু খঙহল্লক্লবসু য়াথং পীখ্রে।

লোকপাল এন্দ লোক আয়ুক্তজ এক্ট, ২০১৩ গী সেক্সন ৬৩ না ষ্টেট খুদিংক্না লোক আয়ুক্তা হায়না খঙনবা বোদি অমা লিংগদবনি। পি আই এল অমগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

এ আরগী ১৮৩ শুবা রেজিং দেগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):

কুমজা ১৮৩৫ দা শুপ্তগী লান্মী ৭৫০ খক্না কছার লেভি ওইনা লিংখৎখিবা অসাম রাইফলসগী ১৮৩ শুবা রেজিং দেগী থৌরম হয়েং পাঙথোক্কদৌরি। থৌরম অসিগী মাংওইননা মণিপুরগী গভর্ণর ডো. নজমা হেপ্তুলা, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, অসাম রাইফলসকী দি জি পি লেফটনেন্ট জেনরেল শোকিন চৌহাননচিংবনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লিরবা পেরামিলিটরি ফোর্স ওইরিবা অসাম রাইফলস হৌজিক্তি পুন্না বট্টালিয়ন ৪৬ লৈরে। লৈবাক অসিগী তোঙানতোঙানবা লো এন্দ ওর্দরগা মরী লৈনবা থবক থৌরমদা কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরি। নোর্থ ইষ্টকী মরূপ ওইনা মায়কৈ অসোমদা ঈংচিকপা ফীভম অমা পুরক্কনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

গভর্ণরগী য়াইফ পাউজেলগী চেরোল অসিনা হায়, অরুবা তানফম কয়াদা থৌনা ফনা নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামগীদমক কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরিবা অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংগীদমক নুংঙাইবা পোকই হায়রি।

য়ু এন সীগা ৱারী শানখ্রে, লৈঙাক্কী ফিরেপ এপ্রিল ১০ ফাওবগী মনুংদা খঙহনবা য়ানখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী)গা দিষ্ট্রিক্ট শেম্বগী ইস্যুগী মতাংদা ট্রাইপর্টাইট টোক চত্থরকপগী মনুং চন্না ঙসি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা দি আর দি এ কনফরেন্স হোলদা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারী শানখ্রে।

ঙসি দি আর দি এগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা য়ু এন সীগী দিমান্দগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ফিরেপ অমা এপ্রিল ১০ ফাওবগী মনুংদা লেপথোক্লবা য়ানখি অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি য়ু এন সীদসু পাউ খঙহনগনি। মথংগী রাউন্দগী ৱারী শানবা অসি লাক্লিবা এপ্রিল ২৭ তা চথনবা য়ানখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী কেবিনেট মিনিষ্টরশিং মথংশিংনা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখালিয়ন, ট্রাইবেল এন্দ হিলস মিনিষ্টর এন কাইসি, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যাম য়াওখি। য়ু এন সীগী মায়কৈদনা য়ু এন সীগী প্রসিদেন্ট গাইদোন কামৈ, জেনরেল সেক্রেটরি এস মিলন, ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সেথ সটসাং, নাগা ৱিমেন'স য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট অশা ৱাঙম শরুক য়াখি। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী জোইন্ট সেক্রেটরি এন ঈ সত্যেন্দ্র গার্গ শরুক য়াখি। গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ডো. জে সুরেশ বাবু, সেক্রেটরি রেভিন্যু টি রঞ্জিৎসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী কুমওন থৌরম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):

হায় কোর্ট ওফ মণিপুর লিংখৎখিবগী মঙারকশুবা কুমওন থৌরম ঙসি হায় কোর্টকী ওদিটোরিয়মদা মণিপুরগী গভর্ণর ডো. নজমা হেপ্তুলানা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা গভর্ণর ডো. নজমা হেপ্তুলানা হায়খি, হায় কোর্ট ওফ মণিপুর লিংখৎলকপদগী ষ্টেট অসিগী জষ্টিশ দেলিভরি সিষ্টেমদা শীংথানিংঙাই ওইবা কয়া তৌদুনা লাক্লি। কেস কয়া থুনা দিস্পোজ তৌবা ঙল্লে। হায় কোর্ট অসিনা সার্ভিস তৌরকখিবা চহী ৫ মপুং ফারক্লে। ইন্দিপেন্দেন্ট জুদিস্যারি হায়বসি নেসনল এসেটনি। মোদর্ন সোসাইটিগীদমক য়াম্না তঙাইফদবা অমসুনি। দেমোক্রেসিদা রুল ওফ লো হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। রুল ওফ লো মেন্টেন তৌনবগীদমক ইন্দিপেন্দেন্ট জুদিস্যারিনা থবক কয়া তৌরিবনি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসননা শেন্নকপা মতমদসু জষ্টিশ দেলিভরি সিষ্টেম নীংথিনা চৎনহন্নবগী মীৎয়েং কয়া থল্লিবনি। রুল ওফ লো ঙাক্না চৎপা অমদি ইকায় খুম্নবদগী হেন্না মরুওইবা লৈতে। রুল ওফ লো হায়বসি নীংথিনা খঙনবা হোৎনবা চঙই। হৌজিক্কী মতমদা মীয়াম্না মশাগী রাইটকী মতাংদা নীংথিনা খঙনরে। লোগী মখাদা লৈবা রাইট অমদি দ্যুটিশিংগী মতাংদা সিটিজনশিংনা খঙনরে। জষ্টিশ এট য়োর দোরষ্টেপ হায়বসি সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী প্রাইওরিটি এরিয়ানি। ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্টশিংনসু জষ্টিশ দেলিভরি থুহন্নবগীদমক মতেং পাংলি।

Dr. Najma Heptulla
Hon'ble Governor of Manipur
Manipur
March

কোর্টতা জজ ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। সেঙ্কসন ষ্ট্রেংথদা লৈরিবা জজ মশীং অদু হাপ্পবা তকশিল্লি। জষ্টিশকী টেম্পল ওইরিবা মফম অসিদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা শীংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি হায়খি। মখা লামায় ৩ কলম ৪

ꯁꯦꯜꯁꯃꯦꯟ ꯋꯥꯟꯇꯦꯗ
SALESMAN WANTED
Applications are invited from the willing Male candidates for pharmacy assistant.
DETAILS OF SERVICE :
1. Name of the Post : Pharmacy Assistant
2. No. of Post : 2 (Two)
3. Experience : Minimum 3yrs
4. Age Limit : 30 yrs plus
5. Scale of Pay : Negotiable
Contact us :-
GiD PHARMACY
M.G. Avenue,Thangal Bazar
Near UBI Bank
☎ +91 81328 17369 / +91 70051 43301
HL-P/662/28Feb-2April